# লিন-জগোয় শাহনবা উখিদবা কুইরে, কোব্রাগী কেবরেট দান্স হায়বা অমা অমুক থোরক্লে

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ঙসিদগী চহী ৬০-৭০ রোমগী মমাঙদা লিন জগোয় শাহনবা, য়োং জগোয় শাহনবা নৎত্রগা থৌরী চৎপীগী কুঞ্চৈনচিংবা উৎপা ময়াং ময়াম কৈথেল অমসুং মীয়াম তিনবা মফমশিংদা হেক হেক লাকপা থেংনরকই। লিন জগোয় শাহল্লিবা ময়াং অদুনা মাগী লূবাক অচৌবা মনুং অদুদগী খরা খরা চাউরপ তৌবা খারৌ খরা চিংনবা লৈতনা তাপ-তাপ পায়দুনা পুথোরল্লগা লৈমায়দা থাদদুনা, মখূত্তা পায়রিবা বীন অদু খোংজিনবদা লিনশিং অদুনা মঙক থাঙ্গৎলগা মকোকশিং অদু ফন্দোক্তুনা লৈবদু উবদা ঐখোয় অঙাং ময়ামদি ইঙক ঙকপগা কিজবগা ইয়ান য়ান্নদুনা মীৎ কুপ্তবমখৈ য়েংনখি। অদুবু, নান্থোকখিবা ঙমদনবা হায়দুনা মঙক্তা থৌরী লীশাংনা পুল্লগা চৈশাং অমনা খৎ খত্তুনা য়োং লাবা অমোম অনী জগোয় শাহনবা অদুদি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইখি। য়োং জগোয় শাহল্লিবা ময়াং অদুনা মখূৎতা পায়রিবা চৈশাং অদু উৎ উত্তুনা 'মেম্মা থাবল চোংবা কর' হায়রকপদা য়োং অমোম অদুনা য়েংলিবা মীয়াম অদুগী মমাঙদা ইকোয় কোয়না চেন্দুনা থাবল চোংবগী মওং-মতৌ উৎলকপা অমসুং য়োং লাবা অদুনা, 'মন ওনবা কর' হায়বা মপু অদুগী য়াথং ফংবদা মন ওন্দুনা চোংবা পূম্নমক অদুদি ঐখোয় অঙাংশিংতা নত্তনা অহল পূম্নমক অদুনসু য়াম্না নুংঙাইবা কুঞ্চৈ অমা ওইনা ৱা ৱা নোক্তুনা য়েংনখি।

পূক্লীং-ৱাখল অনী অসিবু নুংঙাইনা লৈহন্নবগীদমক্তা হরাউ-কুঞ্চৈগী মতেং লৌবা হায়বসি নুংঙাইথোকপা পান্বা মীওইবগী মশাগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মচৎ অমনি। মীওইবা কনাসু কপ্পা কপ্পা হিংনীংদে। নুংশিরবা ইমা-ইপা, ইতু-ইচা, মরুপ-মপাং অমসুং শাগৈ-নাতৈগী মীওই কয়ানা তাইবঙ-চেঙজেল লোইরদুনা মপুগী খুয়া তানখিবদা লৈহৌরিবা ঐখোয় খ্বাই খিবিক্লা পুঙ-ঝাল য়ৈদুনা নুংশিরবা শৈহেক্লা লোয়ননা তেংবানবা মপুগী মিখ্ৱৈ শোল্লগা চামিন-থকমিন্নদুনা লৈখিদ্রবগী অৱাবা কাউথোক্লবা হোৎনরি। থৌওং অসি তোল্লবা ঐহাক্লা শিখ্রবা মতুংদসু চৎনবী অমা ওইনা মখা তানা অদুম্মক তৌরক্কনি। ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদদি -- হিংদুনা লৈহৌরিবা ঐখোয়না শিখ্রবশিংবু কাউথোক্লবা নৎত্রগা মখোয়গী লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখ্রবা য়াইবী-মিরেলশিং অদুবু পেলহন্নবা হোৎনবদা 'ভাবোক মমায় তাবা' হায়দনা ঈশৈ শক্লিবা পালাশিং অদুতা নত্তনা মমাঙদা ইকোয় কোয়না ফল্লগা ঈশৈ তারিবা ভাবোকশিংদসু শেল থাবগী অনৌবা লৈথেৎ অমা হাপকৎনরক্লে। ভাবোকতা শেল থারগা শিখ্রবা থৱায়শিং অদুনা পেনবীরমগদ্রা নৎত্রগা পেনবীরল্লোইদ্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমজদ্রে, অদুবু মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসিনা মী শিবগী মথৌ-মঙম পাঙথোকপদা ভাবোকতা শেল থাদুনা, য়াম্না ঈজৎ লৈনা অৱাবা কাউথোক্লবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফম অসিমদি ময়েক শেংলে। লুহোং-খোঙদোংবা, 'নাহুৎ-নারেং অমসুং ইপান থাবনচিংবা অফ-নুংঙাইগী থৌরমশিংদগী হেন্দোক্তুনা মী শিবগী নুংঙাইখিদ্রবা অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোপদফাওবা, মান্দব ময়ায়দা ক্য লেংনদুনা ভাবোকতা শেল থাবগী লমজেল তান্নবা অসিনা ঐখোয় মীতৈশিং অসি মপান্দগী পুশিল্লকপা চেঙয়েন্না চরা নোংখন্নরবসু, লাইরেন্না মশাগী ঈজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা লফূরীৎ কাদুনা শি হায়নবগুম্না, ঈজৎ লৈনা হিংবা ফূরুপ অমনি হায়বদু তাক্লি।

ৱারী অসি মতম অমগী লিন নৎত্রগা খারৌ অমসুং য়োং জগোয় শাহনখিবা, মপান্দগী লাকপা ময়াং কুঞ্চৈ শান্নবশিং অদুদগী নাথৈরগা ভাবোক মমায় তাবরোমদা ফৈরেংননা চৎখিবগুম তৌরে। অদুম ওইনমক, শুফম-নোম্ফম খঙদ্রবা অমসুং চানীংঙাই-থক্লীংঙাই লৈরক্তবদগী, উমং-ৱামংদা মনীং তম্না লৈজরম্বা লিন অমদি য়োংনচিংবা শাশিংবু ফাদুনা জগোয় শাহল্লগা শেল তান্দুনা হিংনবা হোৎনখিবা ময়াংশিং অদুগী লৌশিং অমসুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী হেন্না শেন্থোক নেম্বা কংলৈচাশিংনা হরাও-কুঞ্চৈদা হিদান্নবগী মওং অনী অসিগী খেন্নবা অদুদি নৈননীংঙাই ওইদবা নত্তে। হিংননবা হোৎনবদা, মহু কল্লবা খারৌশিং অদুবু ফারগা শান্নপোৎকী মতৌগুম্না ইরায় লায়না শান্নখিবা ময়াংশিং অদুবু ঐখোয় অঙাং মচাশিংনা, মহাক্লা শান্নরিবা খারৌশিং অদুদগী অমুক্কসু হেন্না কিজবা পোকখি। লিন জগোয় অদু য়েংবা লোইরগা নিংশা থবেৎ থবেৎ হোনবমখৈ য়ূমদা চেল্লক্তুনা ইমাদা অঙকপা কুঞ্চৈ অদুগী মরমদা পাউদম্বদা ইমানা "হৈ বুদু কিরুনু, লিনশিং অদু মী চীকপা ঙমদনবা ময়া শত্তোক্লবা ঙাক্তনি" হায়না চৈরকখি। ও অদু ওইরে, ঐহাক লৌশিং খংলাক লাকখি, অদুবু ইবুবোক্লা লীবীখিবা চাকঙাই-ৱারী কয়াদা লাইরেননা মী য়োৎপা অমসুং খারৌনা চীকপদগী মীওই কয়া শিখিবনচিংবা মতাংশিং য়াওখিবদগী ইশাগী অকিবা অদু মপূং ফানা কোকপা ঙমখিদে, অহিং তূম্বদা ঙসাই নুংথিল য়েংখিবা লিন জগোয় অদু মঙদা উরক্তুনা কিবদগী 'হো ইমা' হায়না খংলাউ লাউবদা ইমানা 'কৈদৌরে কৈদৌরে' হায়দুনা লৱাই লেম্ফুদা ঈশিং অঙৈংবা য়ৈবীদুনা লাক্লবীখি।

ঙসিদি ইন্টরটেনমেন্ট নৎত্রগা পূক্লীং-ৱাখলবু নুংঙাইহন্নবা হোৎনবগী হীরম অসি চহী অমগী মনুংদা লুপা বিল্লিয়ন কয়ামরুম তানশিনবা ঙল্লবা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরে। হান্না হোল্লিৱুদ-বোল্লিৱুদ হায়দুনা লৈরম্বা ফিল্মগী ইন্দষ্ট্রি অদুগী মথক্তা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া, টিভি, মোবাইল ফোন অমসুং অতৈ আর্টিফিশল ইন্টল্লিজেন্সতা য়ূম্ফম ওইবা নুংঙাইরবা ইন্টরটেনমেন্টকী পান্বৈ কয়া লৈরে। মোবাইল ফোন থাদোকপা ঙমদ্রবা ঙসিগী অনৌবা মীরোলনা য়োং নৎত্রগা লিন জগোয় শাবা উরবদি মদু মীওইবনা য়াম্না চাওখৎত্রিঙৈ লৈকুৎ-লৈরাইদা ফি শেৎপা হৈতনা লৈরিঙৈ মতমগী থৌওং অমগুম্না উরগনি। শাথি-শাথিখ্রবা নোংশা, কৈ, শামু অমসুং শওম্নচিংবা শা কয়া সর্কসকী এরেনা মনুংদা অঙকপা থৌওং কয়া পাঙথোকহনবা ঐখোয়না ঙসিসু ইন্দিয়া য়াওনা চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাক কয়াদা উবা ফংনরি।

হৌজিক্কী মতমদা ক্লাস টু হায়গদ্রা, মমাঙঙৈদা ঐখোয়না অনীশুবা তল্লকপা মতমদা 'য়োংনা তল য়েনবা' হায়না মিংথোনবা নুংঙাইরবা ৱারী অমা তমখি। ৱারী অদুদা মমিং থম্বালনু অমসুং থম্বালতোম্বী কৌবী হৌদোং অনীনা তল অমা মুন্নবদা চীক্লদুনা খৎনরকপদগী হৈ-শিংলবা য়োং বিচারপতি অমনা তল অদু মুল্লগা অমনা খরা পীকহন, অমনা খরা চাউহন তৌদুনা চাং মান্নহন্দনা মচেৎ মচেৎ শেৎলগা য়েনবদা অয়েন খূদীংগী হৌদোং অনী অদুনা, এ: সিদি য়াদে, মাগীনা চাউই ঐগীনা পীকই হায়দুনা লৌ হায়বা য়াদ্রবদা য়োং অদুনা মচেৎশিং অদু লোইনমক চাথোকখিবগা লোয়ননা হৌদোং অনীমক মমৈথংদা তল অদু মচেৎ অমত্তসু চাবা ফংহৌদনা তিংঙক তিংঙক য়েংদুনা লৈখি। অসুক শিংখ্রবা য়োং অসিবু ৱাখল লৈবা ময়াংনা ফারগা জগোয় শাহনবা হায়বসি অঙকপা থৌওং অমনি।

অশেংবমকসু, তেংবানবা অসি অঙকপনা থল্লি। পলেম ইমাগী পীবুক্লুংদগী থোক্লকপা মীওইবা য়াওনা, মীৎনা উবা পোৎশক পূম্নমক অসিগী অহৌবা অমসুং অরোইবা নাইগনি হায়না লৌশিং লৈরবা চীংউ মায়চৌশিংনা তাকপীরি, মরম অসিনা নোংম-নোংমগী লাম্নৈ চাকপগী মতৌগুম মৈরী ফাংনা চাকখৎলক্লিবা অমসুং চহী মরি ফারক্কদৌরবা মণিপুরদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং অসিসু অরোইবা তাঞ্জা অমা লাক্লবদি দেল্লীনা চত্থরিবা য়োংগী তনয়েন মওংগী লৈবাক মঙাক অমসুং ময়া শত্তোকপীরবা লিন জগোয় শাহনবগুম্না খূৎলায় পায়বা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংবু ঙাক-শেলহল্লিবা সিফাইগী লীলা পূম্নমক অসিসু লোইশিনখিগনি, অদুবু কুকিনা নাগা তরুক হাৎপদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরগা নাগানা ফাজিনবা কুকি মীচম ১৪বু নম্ফুদা থাদোকহনবগুম্বগী মওং অসি য়েংলুরবদি খারৌ (কোব্রা) লাখ অমা পুথোক্তুনা কেবরেট দান্স তৌহল্লবসু কংলৈচাশিংনা নুংঙাইগদবা লৈতে। এ আর, আর্মি, সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স অমসুং ষ্টেট ফোর্স ময়াম অমনা করিসু তৌবা ঙমদ্রবা কুকি টেররিষ্টশিংদা কোব্রাগী কেবরেট দান্সনা হেন্না মথৌ শঙবা নত্তনা কংলৈ-খুন্নাই অসিবু মরা তপ্পা পালহনবা তৌরোই। ●

# ঐখোয় ইন্দিয়াগী মায়া লাংদগী নান্থোক্লগা অরান-খুভম ফংসি-১

- লুখোই নহা -

ঐখোয় করম্বা লম্বীদা খোঙ থাংগদগে হায়বসি তিল য়োৎথরগা চনিং তানা, ইখোঙদা শীজংনা য়ানশিঞ্জগদবা ৱাখলগী মফোল-মরাং য়াওবা মরী লৈনদবা ৱারম-মচেৎ অমত্তা য়াওহন্দনা ৱাখল খনবা মতমদা 'লৌফম থোক্লবা ৱারেপ" অদু উবা ঙল্লক্কনি। হৌজিক মণিপুরনা মায়োক্লরিবা শাথীরবা খুদোংথীবসি য়াম্না পূকচেল শেংনা ইশানা ইশাবু মীনমজবা য়াওদনা খঙনবা হোৎনবীগদবনি। অসুম্না মীয়াম পূম্বনা খঙলকপা মিকুপ্তুদা মণিপুর কনবগী থবক তঙ্খায় য়ৌনা চঙশিল্লে হায়না লৌবা য়ারে। ৱাৎহৌরিবা তঙ্খায়'দুদি মশানা অদুম ওটো তাদুনা চংশিঞ্জখ্রদবনি-পান্দমগী ফিরাল মশানা হাইগৎচখ্রগদবনি।

ইন্দিয়ানা লৌশিনখিদ্রিঙৈ চহী লিশীং অনী-অহুম্মুক্কী লৈখিবা মণিপুর কংলৈপাককী লৈঙাক্কী হীরমগী ওইরবসু, লিটরেচরনচিংবা মহৈ-মশিংগী লম্দা ওইরবসু, উমং-ৱামং, চীং-পাৎ, তুরেল য়োকখৎপা নৎত্রগা ঙাক্তুনা থম্বগী হীরমগী লম্দা ওইরবসু, ঈশিং-ঈরম কদোমদা চেন্থহনগনি, তুরেলগী ঈচেল থৈদুনা হেন্না শাফহন্নবগা লোয়ননা মণিপুরগী ঙমখৈশিংদা অনৌবা মশক করি লাকপগে হায়বনচিংবা য়াওনা কমদৌনা লান শোক্লগদগে, লানগী খূৎলায়শিং শীজিন্নবগী মহৈগী মরমদা, অনা-লায়েংগী লম্দা শম্না হেক হায়রবদা লৈবাক অমগী লৈফম থোকপা মচাকশিং অমদি মচৎশিং পূম্নমক ৱাৎতনা লৈরক্লবনি। ইরম-খোঙলমগী মতাংদা 'তুতেংলোন', লানগী কাংলোনগী মতাংদা 'চাইনরোল', লৈবাক ঙাক্লোনগী মতাংদা 'লোয়ুম্বা শিনলোন' য়াওনা অতৈ হীরম পূম্নমক্কী তোঙান-তোঙানবা পুয়া চা কয়া লৈরম্লিবসিনি। অসুম্না মশাগী ময়েক্লা অইবা ওইনা (লাইরিক) লৈরবা মণিপুর কংলৈপাকনি হায়বসি লৈবাকসিবু ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবদগী চহী ৭৭কী শাংলবা মতমসিদা ইন্দিয়ানা থাকপা রাজনিতিগী মায়া লাংদা (পোলিটিকেল ইলুজন) থুখিবদগী ঐখোয় খঙবা ঙমদনা খঙলগনা থোইনা খঞ্জিল্লুদনা, মণিপুর কংলৈপাক'সিগী অশেংবা মশক (আইদেন্টিটি) উবা ঙমজদনা রিয়েলিটিগা শম্নদবা অতাউবা পূন্সি অমদা হিংলগা লাক্লি। অসিগুম্বা রিয়েলিটিগা শম্নদবা অরানবা য়ূম্ফম অমদা চহী ৭৭ হেনবগী শাংলবা মতমসিগী তাঙ্কক তাঙ্কক্কী পূন্সি তুথুপশিংদা মণিপুরী মরু ওইনা মীতৈ ঐখোয়গী পূক্লিং অমদি ৱাখল (কোক) দা ইন্দিয়াগী মীনম্বা রাজনিতিগী মায়াগী শক্লোন কয়ানা মরোল-মরোল নাইনা কুপশিনখিবদগী ঐখোয়বু লোইবা লোইমাবা (মপু) অসি 'দেল্লী' নি হায়না চেৎনা থাজহন্দুনা পূক্লিং-ৱাখলদা চূশিন্দুনা লাকখ্রে। অসুম্না মীনম্বা রাজনিতিগী মায়া কয়ানা মরোল-মরোল নন্থখিবদগী 'মণিপুর' ইরমদমসিদা তৌরিবসি করিনো' হায়বা খঙ-উরবসু থৌ-ৱা শাদনা লৈথোকপগী কলচর অমা শেমগৎহল্লক্তুনা ঐখোয়না করিমত্তা খন্থরুবা উশিল্লুবা তৌদনা লৈথোক্লুবদগী ঙসিদি ইন্দিয়ানা মণিপুর লৈমায়দা প্রোক্সি ৱার চত্থদুনা মণিপুর কংলৈপাক'সি কাং-খোং চাইহল্লে। মণিপুরগী মখূৎতগী মসিগী চীংগী শরুকশিং কুকিশিংবু প্রোক্সি আর্মি ওইহল্লগা মুনখ্রবা তুং ইন্দিয়ানা চীংগী শরুকশিংদগী লৈনুংগী পোথোক পূম্বা কুশি তৌদুনা তেংনা লৌথোকপা য়ানবা থৌরাংনি। ইন্দিয়ানা কুকি টেররিষ্টশিং শৌগৎতুনা ইন্দিয়াগী মশীং য়াল্লবা সিক্যুরিটিশিংগী মমাঙদা ফোংনা মীতৈ নুপী কয়া রেপ তৌহন্দুনা হাৎহনখিবা, মীতৈগী খুল কয়া থুগাইহনখিবা, মীওই কয়া'মা হাৎহনখিবা, কয়া'মনা মশা ফাওবা থিবা খঙহনখিদবা মীতৈ মুখৎনবা থৌশিল চত্থরক্লবসু ইন্দিয়াগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিঞ্জবফাওবা ঙমদনা মতীং মথৌনা লৈরমখ্রবা মীতৈ ঙসিদি উপ্রাক শিৎনা তারগা লৈরে। অসুক ৱারবা পূন্সি মহিং'সি থৌশাদনা হৌজিক'মুক ভোটকী মায়া লাংদা থুগদৌরি।

মণিপুর মীয়াম মরু ওইনা মীতৈ ফূরুপ্পা অসিগুম্বা ময়েক শেংদবা পূন্সি মহিং, চনৈ-খনৈনবা মহিং অমদা হিংবা হৈনহল্লকখিবা অসিগুম্বা পূন্সি কলচর অমা শাগৎখিবসি 'করপশন' হায়বসিনা খূৎলায় ওইরগা অরোনবা লান্দা অমা মতম কুইনগী মমাঙদগী চত্থরকখিবদগীনি। 'করপশন' মণিপুরী খুন্নাই শলাক শাহনবা পেরাসাইট অমনি। অদুনা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা করপশন য়োকখৎতুনা লাকখিবনি। মণিপুরগী কদাইৱাইদা করি তৌরি হায়বা শৃৎ নান্না খঙলিবা ইন্দিয়ানা মণিপুর করপশন ফ্রী থাখিবদগী মিনিষ্টর পূম্বা দুকান্দার ওইখৎলকখিদুনা মানা মানা পায়রিবা দিপার্টমেন্টশিংবু থবক লৈফম-য়োনফম ওন্থোক্তুনা লাকখিদগী মখা থাবা এমপ্লোয়ীশিং ক্লার্কতগী হৌরগা ব্যুরোক্রেট ওফিসর পূম্বা মমাঙ মমাঙদা থারিবা টেবলশিংদু লুকমাই ওন্থোক্তুনা করপশননা লৈঙাকপা লমদম অমা ওইহল্লকখ্রে। অসুম্না করপশননা লৈঙাকপা লমদম অমা ওন্থোকখিবদগী মণিপুরসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ফূরুপশিং মরু ওইনা মীতৈ ফূরুপকী মীয়ামগী কোকতা করপশনগী লায়না য়ৌশিন্না নারকখিবদগী ইরৈপাক্কীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং, খুন্নাইগীদমক ঙাক্লা চৎকদবা চৎনরোলশিং নাথৈদুনা লাকখিবসি কুইমল্লক্লে। করপটৈদ ওইরবা ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলনা লমজিংবদগী অশেংবা, অচুম্বা হায়বদুগী মহুৎতা তৌশিন্নবা (তৌশিন্নবা, খদ্রক হৈবনা অশিংবা শকপা), তাৎ-পাৎনা খুন্নাই'সি মরেক থুমখিবদগী হৌজিক্কী মণিপুরগী চিরবা তানফমসিদা ঐখোয়না 'সি তৌফম থোকই খঙলবসু থৌ-ৱা শানরক্তবগী তাঙ্কক অমদা লৈরে। মশেল অমত্তা থাজনরক্তবগী ফীভম উবা ফংলে। ঐখোয়বু থুনদা চেনগাও চেনগাও কাওরল্লবসু হৌজিক্কী ওইনা মপাঙ্গল কনবা ওইরিবা নেশনল পার্টি অমগী মণিপুরগী থৌমীশিং মনা নীকপীদ্রি, মখোয়সি অশেংবা অচুম্বা অদু মশক খঙলবসু করপটৈদ ওইরবা পূক্লিং-ৱাখল অদুনা অচুম্বা অশেংবদুগীদমক লেপচবা ঙমদ্রি। মসিনি ইন্দিয়াগী রাজনিতিগী মায়া লাংদা থুবা হায়বদু। মণিপুরগী অচুম্বগীদমক মণিপুর কন্নবগীদমক মীয়ামগী খোল্লাও কা হেন্না নেমথখিবসিসু মসিগী চং চং লাউবা খুদম অমনি। অকেমফাৎ (নুংঙাইথোকপা) তা খোঙ্গুম্নবদনা হেন্না থৱায় য়াওখৎনরকপা, লৈবাক্কী ৱাফম নাথৈরকপা (ইমোশনদা ঙাইহাক্কী ওইনা গ্রুং হৌবা নত্তনা), লৈবাক্কীদমক খোঙ থাংববু থবক লৈতবা মীরেম ওইনা উহল্লকপা হায়রিবা তাঙ্ককশিং অসি ইন্দিয়ানা থাকপা রাজনিতি, কুৎতনিতিগী মায়াগী লাংদা থুখিবদগীনি।

মণিপুরগী অরান-খুভম (মনীং তম্বা) সেলভেশন ফংবা হায়বসি করপটৈদ লৈঙাক মরূ ফূক্তুনা লংথোকখিবদুনি, মরূ ফূক্তৎলগা লংথোকখ্রবা তুংদা অশেংবা নিংশা হোনবা ফংগদবা মনীং তম্বা মণিপুরগী খোঙচৎ অমা নৌহৌননা হৌহনবদুনি। অদুনা ঐখোয় মীয়াম্না ইমা লৈবাক মণিপুর কংলৈপাক মশক খঙজবা ঙম্নবা ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলদা মরোল-মরোল ননশিন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী মায়াশিং হায়বদি ঐগী ঐগী খুদোংচাবা লৌহৌরগা লোইরে খলহন্দুনা ঐখোয় মশেল মরক্তা ফোইদৎ-লাকফোইনহল্লিবা 'করপশন', মণিপুর লৈঙাকপু ফেক গভর্ণমেন্ট ওইহল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী 'অরোনবা পোলিসি' অসিনচিংবা কয়া অসিসু ইন্দিয়াগী ময়াগী লাংনি হায়বসি খঙলসি। ●

# ভি আই লেনিন-লৌমী শিন্মী পুনশিন্নবগী লম্বী য়াৎলম্বা লময়ানবা - ২

- সোতিনকুমার -

বুর্জ্জুৱাজিশিংনা কিরিবদি করিগুম্বা মখোয়না ফিউদেল লোর্দশিংগী মরল মথুম এটেক তৌরবদি শিন্মীশিংনসু হন্দুনা মখোয়গী মরল মথুমদা এটেক তৌরকপা য়াই হায়বসিনি। পুৱারীগী অসিগুম্বা তাংকক অসিদনি ভি আই লেনিননা শিন্মীনা লুচিংবা লৌমী শিন্মীগী অপুনবা শক্তিনা এন্টি ফিউদেল রেভল্যুশন অসি মায়পাক্লা লোইশিনবা ঙম্বতা নত্তনা এন্টি কেপিটেলিষ্ট রেভল্যুশন (সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন) লোমদা চংশিনবা ঙমগনি খনখিবসি। ৱাফমসি ভি আই লেনিননা কুমজা ১৯০৫দা ইদুনা ফোঙখিবা য়ান্না মমিং চৎখিবা লাইরিক "টু টেক্টিস ওফ সোসিয়েল দেমোক্রেসি ইন দি দেমোক্রেটিক রেভল্যুশন" দা অসুম্না ফোঙদোকই- অপুনবগী শক্তিনা নিংথৌগী শুপ্নম শাসন লোইশিন্নবা অমদি বুর্জ্জুৱাজিশিংগী মতিং য়ৈথেক্লবা প্রোলেটরিয়েটশিংনা মশিং য়াল্লবা লৌমীশিংগা পুল্লগা দেমোক্রেটিক রেভল্যুশন অসি মায়পাক্লবা মাঙলোমদা চঙশিনগদবনি। প্রোলেটরিয়েটশিংনা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন মায়পাক্লবা সেমি প্রোলেটরিয়েটশিংগা পুনশিন্নদুনা বুর্জ্জুৱাজিশিং মায়থীবা পীনবা লোয়ন-লোয়ননা লৌমীশিং অমদি পেটি-বুর্জ্জুৱাজিশিংনা পল্লেপফম খঙদ্রিবা (কনাগী মীচং চংগদগে) অসি খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন মায় পাক্তুনা পৱার পায়রবা মতুংদসু ভি আই লেনিন অমদি বোলসেভিক পার্টিনা লৌমী শিন্মী পুনশিন্নবা হোৎনবা লেপখিদে। সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশনগী য়ান্না ক্লাসিক ওইবা স্লোগান -"পীস, লেন্দ, ব্রেদ" হায়বসিদসু লৌমী শিন্মী পুনশিনবগী তঙাইফদবদুগী মমি চাউনা তারি। কুমজা ১৯১৬ তা ফোঙখিবা লাইরিক "ইম্পরিয়েলিজম এন্দ ন্যু চেলেঞ্জেস"তা লেনিননা ইম্পরিয়েলিজমগী মতাংদা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম - ইম্পরিয়েলিজমগী লিচৎতি "এক্সপ্লোইটেসন, লুট, ইনইক্কেলিটি, ৱার অমসুং দিষ্ট্রক্সন" নি হায়খিবদু ঙসিসু অদুম চুমদুনা লৈরি। মাঙহন তাকহনবা হেন্নদুম হেঙ্গৎলক্লি। ঙসি ইন্টরনেশনল ফাইনান্স কেপিটেলদগী শেল পুরুবদগী চাওখৎলক্লিবা অমদি থার্দ ৱর্ল্ড লৈবাক কয়া শেন্দোন শিংবা ঙমদবদগী পুবা থাংবা ঙমদবা পোৎলুম পুরি। লৈবাক কয়া - আফগানিষ্টান, আফ্রিকাগী লৈবাক খরা সুদাননচিংবদা চাবা থকপা ফংদবদগী শরুদা উনশানা কুপ্লগা হিংলি হায়বতা ঙাইনা হিংবা মীওইশিং ঐখোয়না উরি, য়ুনাইটেদ নেসনসগী হ্যুমেনিটরিয়ান ত্রইদতা মপাল তাংলি। অতৈ মালেমগী মচি মচিদা ইরৈবাক মণিপুর য়াওনা লানগী চৈথেংনংদুনা মীশি মীনা কয়া থোক্লি, মীওইচা কয়া রিফ্যুজি ওইনা লৈরি, চাওখৎ খোংথাং মনিং হলহল্লি। ময়ামসিগী মথক্তা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা মালেমসি ঐখোয় ইশানা মাঙহন তাকহঞ্জদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি এনভাইরোনমেন্টেল দিগ্রেদেশনদগী কনখৎপা ঙল্লরোইদবা খুদোংথিবা মায়োক্লরি।

ভি আই লেনিননা হৌদোক্লম্বা লৌমী শিন্মী অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বা থিওরি অসি থবক্তা ওন্থোক্তুনা রুসিয়াদা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন মায় পাকখিবতা নত্তনা চাইনা, ভিয়েটনাম, নোর্থ কোরিয়া অমসুং ক্যুবাদসু মায় পাকখ্রে। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা লৌমী শিন্মীশিংগী অপুনবা রেভল্যুশন্নরি ফোর্সনা নিংথৌ, বুর্জ্জুৱাজিশিং, ফিউদেল লোর্দশিং, শম্না হায়রবদা রুলিং ক্লাসগী মীওইশিং অমদি মখোয়গী নীতি ইম্পরিয়েলিজম্বু মায়থিবা পীদুনা শক্তি পায়খিবনি।

ইম্পরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসন অমসুং নিও লিবরেলিজমগী অনৌবা ইরা অসিদা নিও ফেসিষ্ট, চৌভিনিষ্ট, কম্যুনেল অমদি জাতি বীজাতি কলক-য়েংথিনবগী ৱাথোক লান্থোক কয়া তোইনা থোক্লিবা অসি কন্ননবা লৈবাক খুদিংমক্তা লৌমী শিন্মীগী অপুনবা শক্তি শাগৎপা হেন্না মরু ওইরক্লি। চাওখৎপগী মঙাল উদনা নিও কোলোনিয়েলিজমগী চৈথেং মায়োক্লরিবা থার্ড ৱার্ল্ড লৈবাকশিংদা অফবা অওনবা খুন্নাই পুরক্লবা রেভল্যুশন তৌবা অসি লৌমী শিন্মী পুনশিল্লবতদা ওইথোক্কনি। মসি গ্রেট ওক্টোবর সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশননা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎখ্রবনি।

ঙসি ঙসিমক লৌমী শিন্মী পুনশিনবগী মথৌ তারক্লিবসি এন্টি ফিউদেল দেমোক্রেটিক রেভল্যুশন মায়পাক্লা লোইশিন্নবা অমদি লৌউ শিংউবদা মায়োক্লরিবা শিংনবা কয়া পোৎথোক য়াম্না পুথোকপা ঙমদবগা ইরোইননা হৌজিক্কী গ্লোবেলাইজেসনগী মতমসিদা থার্ড ৱর্ল্ডগী লৌমীশিংনা নংলিবা চৈফুসি কোকহন্নবনি। মসিগী মথক্তা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদি লৈঙাক্লা পীবা ষ্টেট সপোর্ট অসুম অসুম হন্থরকপা, মপানলমগী কৈথেল ওন্থোরকপা অমদি পোৎকী মমলদা অকা অকুম নাইবনা শেন্দোংদি লাইরদনা পাঙ্গলগী মমল ফাওবা হঞ্জিনবা ঙমদবনি। মসিগুম্বা শিংনবা কয়াসি থেংনবা ঙমদবদগী অমদি পুশিল্লুবা শেন্দোন শিংবা ঙমদবদগী হৌখিবা দিকেদ অহুমসিদা (চহি ৩০) ভারত্তা লৌমী লাখ মরিগী মথক্তা আত্মাঘাট তৌদুনা শিখ্রে।

**ভারত্তা লৌমী শিন্মী পুনশিন্নবা হোৎনরকপা** - লৌমী শিন্মীশিং পুনশিন্নদুনা পিপলস ডেমোক্রেটিক ফ্রন্ট শেমদুনা নেসনল ইন্দিপেন্দেন্স হেন্না মরা চেৎহন্নবা, ডেমোক্রেটিক ট্রান্সফোর্মেসন অমদি সোসিয়েল প্রোগ্রেস পুরক্লবা চঙশিল্লি। মমাংদসু এন্টি ইম্পরিয়েলিষ্ট ফ্রিদম ষ্ট্রগলগী মতমদা লোইননা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা থোকখিবা শিন্মী অমদি লৌমীগী ইহৌ কয়া ঐখোয়না থেংনখ্রে। হৌখিবা চহি খরসিদসু ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, ওল ইন্দিয়া কিষান সভা, সময়ুক্তা কিষান মোর্চা অমদি সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা লৈবাক শিনথুংনা ইহৌ কয়া চংশিনখি। ইহৌশিংদুগী মনুংদা খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইখিবসি চহি অমা চুপ্পা কুমজা ২০২০-২১ দা সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা মপুং ওইবা রোল লৌদুনা বি জে পি লৈঙাক্লা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম হন্দোক্লবা চংশিনখিবা অদুগা মায়সু পাকখিবা ইহৌ অদুনি। লোয়ননা হন্দক্তা ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২৪, জুলাই ৯, ২০২৫, ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৬ দা পাংথোকখিবা নেসনল ষ্ট্রাইক্লা মোদি লৈঙাক্তা অচৌবা শাফু অমা পীখিবনি।

অদুম ওইনমক হৌজিক হৌজিক চংশিল্লবা ইহৌ অসি মখা চত্থগদবা য়াম্না ৱাৎলি। হৌজিক কোর্পোরেটশিংনা চাওনা বেক তৌবা আর এস এস-বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি মায়থিবা পীবা ঙম্নবা মতিক ময়াই চপ চানা লৈবা পোলিটিকেল অমসুং ইদোলোজিকেল এজিটেসন অমগী লালোং য়াৎনবগীদমক লৌমী শিন্মীগী অপুনবা ওর্গনাইজেসন অমা শেমগৎতুনা হেন্না মথৌ শংবা তারি। লৈবাকসিদা রভল্যুস্নরি সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন পুরক্তুনা চাকথুং ফিথুং মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগীদমক লেফট এন্দ দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা অমত্তা ওইনা চংশিনমিন্নদুনা ভি আই লেনিনগী শিংথানিঙাই ওইরবা ৱাখল্লোন লৌমী শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তি লৈবা ফোর্স অমা শেমগৎপগী মথৌ তারি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৮গী ৱাহং

১) "মৈতৈগী লাই হরাওবা হায়বা অসি মৈতৈনা থাদোকপা য়াদ্রবা, য়াম্নসু লুখ্রবা মুৎপা লৈররোইদবা থৌরম অমনি।"
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। লাইরিক অসি ইথোক্লিবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "সনারৈ নাচোম" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) "মণিপুরী গৌরিয়া বৈষ্ণব সমপ্রদায়গী নাৎ অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থোইদোক্লা ভক্তিগা শাগোন্নবা মখল "জগোই রাস"কী মতাংদা লাইরিক ওইনা ইথোকপা হায়বসি ইতিক নত্তনা ইঙম্ তানবনি।"
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী "ৱাহৈ খরদং" হায়বা অদুদা অইবনা ফোঙদোকপনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) "হেঞ্জুনহা-লাইরৌলেম্বী" (২০১২) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "ঙানু থঙ্গোং অহুম" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।